# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 30-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) তমেংলোং অমসুং সেনাপতি জিলাদা নুংশিৎ য়াওনা নোং কন্না চ্গনি হায়না রেড এলার্ট লাউথোকখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফম কয়াদা থিবা হুন্নবগী থবক চথদুনা আইন্না য়াদবা মীওইশিং ফাগৎপা লেপত্রি।

অমসুং

৩) তেরোরিজম মুথৎনবা ভারতনা চংশিল্লিবা খোঙজংবু খঙহন্নবা লৈবাক কয়াদা চৎলিবা ভারতকী মীহুৎ কাংবুশিংবু মালেমগী লুচিংবা কয়ানা হরাউ তয়ামা ওক্লি।

------

ৱেদর (এল) ঃ তমেংলোং অমসুং সেনাপতি জিলাদা ইন্দিয়ানা মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা নুংশিৎ য়াওনা নোং কন্না চুগনি হায়না রেড এলার্ট লাউথোকখ্রে। সেন্তর অসিনা পীবা ৱেদর ফোরকাষ্টকী মতুংইন্না ঙসি অয়ুক পুং ৮ মখায়রোম তাবদগী হৌরগা হয়েং অয়ুক্কী পুং ৮ মখায়রোম তাবা ফাওবগী মনুংদা জিলাশিং অসিদা পুংদা কিলোমিতর ৪০ দগী ৫০ ফাওবা য়াংবা নুংশিৎকা লোয়ননা নোং কন্না চুগনি। অককবা মফম খরদদি নুংশিৎ শিৎপগী চাং পুংদা কিলোমিতর ৬০ ফাওবা য়ৌরবা য়াই হায়রি।

কাংপোকপী, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং অমসুং চুরাচান্দপুরদসু ঙসি পুংদা কিলোমিতর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াংবা নুংশিৎকা লোয়ননা নোং কন্না চুগনি হায়না য়েল্লো এলার্ট লাউথোকখ্রে। উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, নোনে, তেংনৌপল, চান্দেল অমসুং ফেরজোল জিলাশিংদনা পুংদা কিলোমিতর ৪০ দগী ৬০ ফাওবা য়াংবা নুংশিৎকা লোয়ননা নোং কন্না চুরবা য়াই হায়না ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে।

মেট দিপার্টমেন্টকী ৱেদর রিপোর্ট অসিগী য়েংলগা চেকশিন থৌরাং ওইনা তমেংলোং অমসুং সেনাপতি জিলাশিংদা মীয়ামা চেকশিন্না লৈনবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা চেরোল অমা থোকখ্রে। হায়রিবা মতম অসিদা মীয়ামা য়ারিবা মখৈ য়ুমদগী চৎথোক্তনা লৈনবা অমসুং শাফগদবা মফমশিংদা লৈনবা খঙহল্লি। কাংপোকপী জিলাদসু মীয়ামা চেকশিন্না লৈনবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার মহেশ চৌধরিনা চেরোল অমা থোকখ্রে।

অভিয়ান (এল) ঃ লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা ভিক্সিত কৃষি সংকল্প অভিয়ান ২০২৫ চুরাচান্দপুর জিলাগী ওইনসু ঙরাং চুরাচান্দপুর এম. সোংগেল কম্ম্যুনিতি হোলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এ.দি.সি থাংবোই গাংতে অমসুং জিলা থাক্কী ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি। থৌরম অসি মথং থাগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং নম্বোল থিয়াম অৱাং লৈকাইদগী য়ু.এন.এল.এফ (কোইরেং)গী মীওই অমা ফারে।

রাজ্য পুলিসকী পাউনা হায়- ফারবা মীওই অসি মীয়াম, করবারৱালাশিং অমসুং সরকারগী ওফিসশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি।

অমরোমদা, রাজ্য পুলিসনা ঙরাং নোর্থ এ.ও.সিদা ৱিংগর পার্কিংদগী মীওই অনি হিরোইননি হায়না চিংনবা গ্রাম ১৩৪ গা কোন্ননা ফারে। মরক অসিদা, রাজ্য পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা অচৎ অওকশিং চেক

তৌবদা গাড়িদা টিন্তেদ ফিলম নপ্পা লৌথোকপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। হৌখিবা পুং ২৪ দা গাড়ি ২৮ দগী টিন্তেদ ফিলমশিং লৌথোকখি। ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ১৩৯ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পুশিল্লকখ্রে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

ভিজিৎ ঃ তেরোরিজম মুত্থৎনবা ভারতনা চংশিল্লিবা খোঙজংবু খঙহন্নবা লৈবাক কয়াদা চৎলিবা ভারতকী মীহুৎ কাংবুশিংবু মালেমগী লুচিংবা কয়ানা হ্রাউ তয়ামা ওক্লি।

এন.সি.পি (এস.সি.পি)গী সুপ্রিয়া সুলেনা লুচিংবা ভারতকী মীহুৎ কাংবুনা আফ্রিকান নেসনেল কংগ্রেসকী সেক্রেতরি জেনেরেল ফিকিলে বালুলানা লুচিংবা মীহুৎ কাংবুগা উন্নদুনা ভারতনা তেরোরিজমগী মায়োক্তা চংশিল্লিবা খোঙজংশিংগী মতাংদা পাউদমখ্রে। শ্রী ইম্বালুৱানা হায়- ভারতনা তেরোরিজম থেংননা চংশিল্লিবা খোঙজং অসিদা সাউথ আফ্রিকানসু মপুং ফানা শৌগৎলি। আফ্রিকান নেসনেল কংগ্রেসকী লুচিংবশিং অদুনা ভারতকী মীহুৎ কাংবু অদুবু তরামা ওকপগা লোয়ননা থাগৎপসু ফোংদোকখি।

শিব সেনাগী এম.পি- শ্রীকান্ট সিন্দেনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা দেমোক্রেতিক রিপাব্লিক ওফ কোঙ্গোগী খোঙচৎ লোইরবা মতুংদা সিরা লিওনদা থুংখ্রে। সিরা লিওনগী সংসদতা পুন্না পাঙথোকপা মীফম অমদা পহলগাম টেরর এটেক্তা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা মিনিত ১ তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

বি.জে.পিগী এম.পি- রবি শঙ্কর প্রসাদনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমসু দেনমার্ককী কোপেনহেগেনদা থুংখ্রে। মীহুৎ কাংবু অদুবু দেনমার্কতা লৈবা ভারতকী রাষ্ট্রদুত মনিস প্রভাৎনা হ্রাউ তয়ামা ওকখি।

কংগ্রেস এম.পি. শশি থারুরনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমসু ঙরাং পানামাদা থুংখ্রে।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা জায়া প্রকাশ নরায়ন ইন্তরনেসনেল পাটনা এয়ারপোর্টকী অনৌবা টরমিনেল বিল্ডিং ঙরাং শঙ্গাখ্রে।

শ্রী মোদিনা বিহ্‌তা এয়ারপোর্টকী সিভিল ইনপ্লেভ নৌনা শাননবগী উরেপ উয়ুংসু তমখি। প্রোজেক্ট অসি লুপা কোতি লিশিং ১,৪১০ চংনা পায়খৎকদবনি। থৌরম অদুদা বিহারগী রাজ্যপাল অরিফ মুহমদ খান, মুখ্য মন্ত্রি নিতিশ কুমার, কেন্দ্রগী সিভিল এভিএসন মন্ত্রি কে. রাম মোহন নাইদু য়াওনা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি। ঙরাং শঙ্গাখিবা পাটনা এয়ারপোর্টকী অনৌবা তরমিনেল বিল্ডিং অদু লুপা কোতি লিশিং ১,২০০ চংনা শাখিবনি। মসিনা এয়ারপোর্ট অসিদা চহিদা যাত্রিক কোতি ১ রোম হেন্না চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াহল্লগনি।

শ্রী মোদিনা ঙসি রোতাস জিলাদা চত্তুনা লুপা কোতি লিশিং ৪৮,৫২০ হেনবগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাগনি, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমগনি। মহাকা মীয়ামগী মীতিন অমদসু ৱা ঙাংগনি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- ওপরেসন সিন্দুরদা ভারতকী নুপীশিংনা শরুক য়াদুনা মখোয়গী তৌবা ঙম্বা শক্তিশিং উৎখ্রে। গোৱাদা আই.এন.এস- ভি-তারিনিগী নাবিকা সাগর পরিক্রমাগী অনিসুবা তাঙ্কক লমথাবগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়- ওপরেসন অদুনা ভারতকী নুপী পাইলোতশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌখি। ওপরেসন অদুদা লেফটনেন্ট কম্মান্দর- রুপা এ. অমসুং দিলনা কেনা মখোয়গী থৌনা লিংজেল অমদি হৈ শিংবা কয়া উৎখি।

কোবিদ ঃ মহারাষ্ট্রদা কোবিদ পোজিতিভ ওইবা মীওই ৮৬ নৌনা থেংনরে। মসি থারগা রাজ্য অদুদা চহি অসিগী জনুৱারি থাদগী হৌজিক ফাওবদা কোবিদ পোজিতিভ ওইবা মীগী মশিং ৫২১ শুরে। মরক অসিদা, কোবিদ নাইন্তিননা নাবা লায়েংদুনা লৈরকপা মীওই ৬ লৈখিদ্রে হায়রি।

এথলেটিক্স ঃ সাউথ কোরিয়াদা চথুরিবা ২৬ শুবা এসিয়ান এথলেটিক্স চেম্পিয়নসিপতা ভারতনা সনাগী তকমান অহুম য়াওনা তকমান ৬ লৌরে।

এথলেটিক্সতা জ্যোতি য়ারাজি অমসুং অভিনাস সবলনা সনাগী তকমানশিং লৌখি। সবলনা নুপাগী মিতর লিশিং ৩ গী ষ্টিপলচেস লমজেল মিনিত ৮ সেকেন্দ ২০.৯২ চেনদুনা সনাগী তকমান ফংখি। ওলিম্পিক গেমসতা অনিরক শরুক য়াখ্রবা চহি ৩৬ শুরবা সবলনা ষ্টিপলচেসতা সনাগী তকামনা লৌদুনা এসিয়ান চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন অসি বি.জে.পি এম.এল.এশিংগী পোলিতিকেল দ্রামাদা মীয়াম হুমদুনা পুনবা হোৎনরব্রা- ঙসি কৌরিবা এম.এল.এশিং মীফমদা মশিং শুবা ঙমগদৌরিব্রা হায়না বেন্নর হেদলাইন ফোংলি।

মণিপুরগা চান্নবা ফৌ মখল মঙা পুথোকখ্রে, লমদম অসিগী লৌমীশিংদা অনৌবা আশা অমা পীরগনি এন. ইবোতোন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ইথায় বরেজ ওভর ফ্লো লেবেলগী মথক্তা লৈরে, সট্টর অমা ফাওবা হাংদ্রি হায়বা হেদলাইন অসি পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইননি।

জেলিয়াংরোং ফুরুপনা খুন্দাবা খুলশিংদা কুকিশিং চংবা থিংনবা ৱারেপখ্রে, লালহৌলুপ অমত্তগী কেম্প থমদনা ৱারেপরে হায়না এ.জেদ.এস.য়ুনা থল্লকপা ৱাফম সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ফ্রি মুভমেন্ট তৌহনবদা মতম চংখিনি হায়না লৈঙাকা ফোক্সতা থল্লকপা ৱাফম শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ওপরেসন সিন্দুর অসি তেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা পীবা চপ চাবা পাউখুমনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন অসি রাজ ভবনদা গভর্নর ইন কাউন্সিলগী মীফম পাঙথোকখ্রে, অনৌবা লৈঙাক শেমহল্লকপগী মহুৎতা পি.আর মরা চেৎশিনগদৌরিব্রা হায়বা হেদলাইন অসিনি।

পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইনদা সি.পি.আহনদি অনৌবা মীহুৎ খল্লবা লৈঙাক শেমহনবনা ফগনি হায়রক্লে, বি.জে.পিগী এম.এল.এশিংনা ফম মুন্নবদগী পি.আর লাকপনি, লিদর খনবা ঙমদবনা অনৌবা লৈঙাক শেমগনি থাজদে হায়না পার্তি অসিনা থল্লকপা ৱাফম ফোংবা থেংনরে।

মীয়ামা ৱাংজিং খুনৌদগী পাঙলতাবী ফাওবা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা পোকফম পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইননি।

মিদিয়াগী বোদিশিংনা মখা তানা লৈঙাক্কা মরী লৈনবা পাউশিং ফোংদ্রি হায়বা হেদলাইন অসি মণিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংবা থেংনরে।

সেনাপতি অমদি তমেংলোং জিলাদা অকনবা নোং চুগনি হায়না রেড এলার্ট লাউথোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইননি।

চীফ সেক্রেতরি পি.কে. সিংহনা প্বালতাবীদা থোকখিবা থৌদোক অদু অমুক হন্না থোকহল্লোই হায়না থাজবা পীখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইননি।

তমেংলোংগী লম্বীশিংগী ফিভম ফৎত্রে, লম্বী ময়াইদা পোট হোলস কয়া লৈবনা মীয়ামদা খুদোংচাহনদ্রে হায়বা হেদলাইন অসি তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইননি।

------